কেমিকেল লিক ওইরকপদগী দিল্লিদা স্কুলগী অঙাং ৩০০ হেন্না লায়কন্নখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ০৬ (এজেন্সী) :

সাউথ দিল্লিদা ঙসি অয়ুক কন্টেনর অমদগী গ্যাস লিক ওইরকপদা গভর্ণমেন্ট গর্লস স্কুল অমগী মহৈরোয় ৩০০ হেন্না হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

অঙাংশিংনা মীৎ হাকৎচবগা লোয়ননা নিংশা শ্বর হোনবা ঙঙ্লক্তবদগী সিটি এদমিনিষ্ট্রেসন্না চলাইবা গভর্ণমেন্ট গর্লস সিনিয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমসুং রানি ঝান্সি স্কুলগী মহৈরোয়শিং মনাক নকপা হোস্পিটালশিংদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা দিল্লি গভর্ণমেন্টনা মেজিষ্টিরিয়েল ইনক্বারি চথনবা য়াথং পীখিবগা লোয়ননা আই পি সী অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট (প্রোটেক্সন) এক্টকী তোঙান তোঙানবা সেক্সন কয়াগী মখাদা পুলিসনা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা চলাইবা হোস্পিটাল খূদিংমক অৱাবা তারবা অঙাংশিংগী মতেং পাংনবা শেম শাগদবনি হায়না যুনিয়ন মিনিষ্টর জে পি নদানা খঙহনখ্রে। অথু অকায়গী ওইবা থবক লাকপা মতমদা মতেং পাংনবগীদমক এইমসকী ডোক্তরশিং থৌরাং তৌদুনা লৈহনখ্রে। হোস্পিটালদা লায়কন্নরিবা অঙাংশিংবু দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিশ শিশোদিয়ানা ফীভম য়েংশিনখি।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা কেজ্রিৱালনা হায়খি, ওথোরিটিশিংনা ফীভম লাকশিনবা ঙম্লে। হীরম অসিগী মতাংদা থোইদোক্লা নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইদ্রে হায়না ডোক্তরশিংনা খঙহল্লক্লে। অদুম ওইনমক হৌরকফম মরু চপ চানা খঙদোক্লবগীদমক ইনভেষ্টিগেসন চথনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতা পাউতাক পীখ্রে। অতোপ্পা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না স্কুলগী ওজা মাপনসু হকচাং ঙঙ্লক্তবদগী মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি হায়রি।

লেফটনেন্ট গভর্নর অনিল বাসপয়ী অমসুং দিল্লি এসেমব্লিগী ওপোজিসন লিদর বিজেন্দর গুপ্তনা ঈ এস আই হোস্পিটালদা চত্তুনা অনাবশিংগী ফীভম য়েংশিনখি।

দিল্লি গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা গুপ্তনা হায়খি, লাইবক থিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী ইনভেষ্টিগেসন অমা চথবা মথৌ তাই।

অমরোমদা, যুনিয়ন মিনিষ্টর জি পি নদানা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটাল খূদিংমক অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা শেম শাহনখ্রে।

মশাগী চহী ১০দগীনা ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং ৫৫ লায়কন্নরিবা বত্রা হোস্পিটালগী সিনিয়ার ডোক্টর অমনা হায়খি, গ্যাস লিক ওইরকপদগী খুদোংথিবা মায়োক্লরবা অঙাংশিংগী ফীভম থোইদোক্লা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩৫ তাবদা তুগ্লাকাবাদ দিপো এরিয়াদা কেমিকেল লিক ওইবগী পাউ ফংখি। চাইনাদগী পুরক্লগা হরিয়ানাগী সোনেপাৎতা পুখিগদবা কেমিকেলশিং অদু লিক ওইরকপদগী মনাক নক্লা লৈবা স্কুলগী অঙাংশিংদা খুদোংথিবা নংহনখিবনি। থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা পুলিস অমসুং নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)কী টিম কয়া গ্যাস লিক ওইফমদা থুংলখি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা অঙাং ৩১০ লায়কন্নখি হায়রি। মাজিথিয়া হোস্পিটালদা অঙাং ১০৭ অমসুং বত্রা হোস্পিটালদনা অঙাং ৬২ পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অঙাং খরদি নিংশা শ্বর হোনবা ঙঙ্লক্তবদগী পেদিয়াত্রিক আই সী যুদা থল্লি।

ইন্দিয়ান হেদস ওফ মিসনগী মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ৱা ঙাংখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ০৬(এজেন্সী) :

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি *ইন্দিয়ান হেদস ওফ মিসন* গী মীফমদা ৱা ঙাংখিবগা লোয়ননা মরুওইবা ফোরেন পোলিসিগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখ্রে।

ইন্দিয়ানা পাকিষ্টান অমদি চাইনা য়াওনা মরুওইবা লৈবাক খরগা থম্নবা মরীদা অকায়বা থোরকপগী মতাংদসু মীফম অদুনা খন্নখি হায়রি।

এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স-পার্সন বিকাশ স্বরুপনা হায়খি, ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা ৮শুবা হেদস ওফ মিসন কনফরেন্সতা প্রাইম মিনিষ্টরনা মরুওইবা ৱাফম কয়া থমখি। মীফম অদুদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পোষ্টিং তাবা ইনভোয় ১২০ রোম শরুক য়াখি।

হেদস ওফ মিসনগী ৮শুবা কনফরেন্সতা মপুং ওইনা খন্নখিবা ৱাফমশিংদি ইন্দিয়ানা মালেমগী মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাকশিংগা থম্নরিবা মরী অমসুং পাকিষ্টান অমদি চাইনাগা য়েংথিনরকপগী মতাংদনি।

ইরাই নুমিত্তগী হৌরগা নুমিৎ ৪ চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসি এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ঙরাং হৌদোকখিবনি। দিপ্লোমেটশিংনা পোষ্টিং তারিবা লৈবাকশিংগা ইন্দিয়াগা থম্নবা মরীগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা দিপ্লোমেট কয়ানা মরুওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

নুমিৎ ৪নি চত্থগদবা মীফম অসিদা ইন্দিয়ানা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি রসিয়াগা থম্নগদবা মরীগী মতাংদসু খন্নরবা য়াই হায়না থাজনরি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা হন্দক পাকিষ্টান মিলিটরিনা ইন্দিয়াগী লান্মী অনী মঙক কক্তুনা হাংলম্বদগী যুম্লোন্নবা লৈবাক অনী কন্না য়েংথিনরিঙৈ চৈরক্তা চহীগী ওইবা মীফম অসি পাঙথোকপনি। মীফম অসিদা ইন্দিয়ানা রিসোর্ছ মরাং কায়না লৈবা অফ্রিকান কন্টিনেন্ট, গল্ফ লৈবাকশিং অমসুং মিদ্দল ইষ্টকা থম্নগদবা মরীগী মতাংদসু কুপ্পা খন্নরবা য়াই হায়না থাজনরি।

মে ০২দসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং টর্কিশ প্রসিদেন্ট রিসেপ তায়িপ অর্দোগানন্না লৈবাক অনীগী মরক্তা থম্নরিবা মরীগী মতাংদা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা সিক্যুরিটি, ট্রেদ অমসুং রিজনেলগী ওইবা ৱাফম কয়া কুপ্পা খন্নখ্রবনি।

লূচিংবা অনীনা মপুং ওইনা খন্নখিবা ৱাফমদি টেররিজম মায়োক্লবা অমসুং রিজনেল সিক্যুরিটিদা নাকল অনী মতেং পাংনবগী মতাংদনি।

ঙসিগী খুন্নাই অসিদা নুমিৎ খূদিংগী তোঙান তোঙানবা শীংনবা কয়া মায়োক্লবা তারি। মালেম অপুনবগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইবা শীংনবদি টেররিজমনি। লৈবাক খরনা টেররিজম শৌগৎপা মরম্না মালেমগী মফম খূদিংমক খুদোংথিনিংঙাই ওইরে।

টেররিজম শৌগৎপা লৈবাকশিংগী মথক্তা মালেম অপুনবগী ওইবা থৌরাং অমা লৌখৎমিন্নবা মথৌ তারে। খ্বাইদগী নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি লৈবাক খরনা ফোরেন পোলিসি অমা ওইনা টেররিজম শৌগৎলগা যুম্লোন্নবা লৈবাকশিংদা টেররিষ্টকী ওইবা থবক থৌরমশিং চত্থহল্লকপগী মতাংদনি।

ইন্দিয়া অমসুং টর্কিনা ২১শুবা চহী চাদা য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সীল (যু এন এস সী)গী থৌশীল হৌহন্নবা হোৎনরি। হৌখিবা মতমদা লৌখৎপা থৌরাংগা মান্নদবা মওংদা যু এন এস সীনা টেররিজমগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎফম থোকই।

অমরোমদা, টর্কিশ প্রসিদেন্ট অর্দোগানন্না হায়খি মদুদি, টেররিজমগী মায়োক্তা লৌখৎপা থবক থৌরমশিংদা টর্কিনা ইন্দিয়াগী মতেং পাংগনি। টেররিষ্টশিংনা হান্নগী মফম পূম্নমক্তা মরাল লৈজদবশিং য়াওনা মীওই কয়াদগী ঈ তাহল্লি।

নিরভয়া গেং রেপতা চেন্নবা জুবেনাইল কুক ওইনা লৈরি

ন্যু দিল্লি, মে ০৬ (এজেন্সী) :

নিরভয়া গেং রেপতা চেন্নরবসু চহী নৌরিবা অঙাংনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা থাদোকখ্রবা মীওই অদু সাউথ দিল্লিদা কুক অমা ওইনা লৈরি।

এন জি ও অমগী ওফিসলনা হায়খি মদুদি, দিল্লিদা ওবজার্ভেসন হোম অমদা লৈরিঙৈদা থোংবা থাকপগী মরমদা নীংথিনা তম্লকখিবা মরম্না মীওই অদু সুপ্রিম কোর্টনা থাদোরল্লবা মতুংদা কুক ওইনা থবক তৌদুনা লৈবনি। দিল্লিদগী লাপ্পা চৎহনখিবা মথৌ তাবনা মীওই অদু সাউথ দিল্লিগী মনুং হঞ্জিনবা মফম অমদা কুক ওইনা লৈহনবনি হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

নিরভয়া গেং রেপতা চেন্নবা মীওই মরি শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রবসু তমথিরবা থৌদোক অদুদা হকথেংননা চেন্নবা মীওই অমা চহী শুদ্রি হায়দুনা চৈরাক পীদনা থাদোকখিবদা মায়কৈ কয়াদগী অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি।

সুপ্রিম কোর্টনা নিরভয়া গেং রেপ কেসতা মরাল লৈরবা মীওই মরি শিবগী চৈরাক পীবগী ৱাফম কনফার্ম তৌখ্রবনি। মশাগী চহী ২৩ শুবদা ঙাইরিবী নিরভয়াদা চথখিবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা জষ্টিস দিপক মিস্রা, জষ্টিস আর বনুমতি অমসুং জষ্টিস অশোক ভুষণগী বেঞ্চনা হায়খি মদুদি, লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা মীয়াম্বু অৱাবা পোকহনখিবা থৌদোক অদু অমুক হন্না থোক্তন-বগীদমক মরাল লৈরবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীফম থোকই।

তমথিরবা ক্রাইম অদুগী মওং মতৌ য়েংলগা সুপ্রিম কোর্টনা মরাল লৈরবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীবদা য়ারে। মুকেশ, পৱন, বিনয় শর্ম্মা অমসুং অশয় ঠাকুরনা চথখিবা থৌওং অদু তুংদা কনাগুম্বনা মতৌ তম্লক্তনবা শিবগী চৈরাক পীবদা অয়াবা পীখিবনি হায়না বেঞ্চ অদুনা ফোঙদোকখি।

কাশ্মীরী মহৈরোয়শিংনা পাকিষ্টানগী ফিরাল চিংখৎখ্রে

শ্রীনগর, মে ০৬ (এজেন্সী) :

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কোলেজ বিল্ডিং অমদা মহৈরোয়শিংনা পাকিষ্টানগী ফিরাল চিংখৎখ্রবা মতুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্লবদা মহৈরোয় ২০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে।

পুলিসনা হায়খি, হন্দৱারা দিগ্রী কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা পাকিষ্টানগী ফিরাল চিংখৎলবা মতুংদা মার্কেট স্কৱার তম্না খোঙচৎ অমা চৎখি। পুলিসনা মহৈরোয়শিং তান-খায়নবা টিয়ার গ্যাস সেল কাপ্লুবদগী মহৈরোয়শিংনা নুঙ লংশিল্লকখি। নাকল অনী মুক্লবগী থৌদোক্তা নুপী তরেৎ য়াওনা মহৈরোয় ২০ লোম অশোক-অপন নংখি। মকোক্তা শোক্লবা নুপী অমদি মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

চৈরকসিদা, মহৈরোয় অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মরক্তা লেপ্তুনা খুৎ থোক্লরকপদগী সোপোর দিগ্রী কোলেজ অমসুং হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা ক্লাস তৌখিদ্রে।

অমরোমদা, সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ফারবা আই এস আইগী এজেন্ট অনী ৱাহং পাউহং চথবদা পাকিষ্টানগী আই এস আইনা কাশ্মীরদা শেল চাউনা থাদরগা মহৈরোয়শিংবু সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মথক্তা খোঙজং চঙশিনহনখিবগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল খঙবা ঙমখ্রে।

এজেন্সীগী পাউনা হায়, পাকিষ্টানগী আই এস আই ইন্টেলিজেন্স এজেন্সীনা হুরায়ত কনফরেন্সকী লূচিংবা সবির শাহগী খুথাংদা লুপা লাখ ৭০ থাদরগা মহৈরোয়শিংবু সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মথক্তা খোঙজং চঙশিনহনবনি।

মমাঙ চহীগী জুলাই থাদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী লূচিংবা বুহান ৱানি হাৎখ্রবা মতুংদা মহৈরোয় অমদি মীচম মীয়াম থোরক্তুনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মথক্তা নুঙ লংশিনবগী থৌদোক তোয়না থোক্লি।

পুলিস পার্সনেলশিংদা এটেক চথবা অমসুং বেঙ্ক লুট তৌবগী থৌদোক তোয়না থোরকপদগী জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা খ্বাইদগী চাউবা মওংদা কোম্বিং ওপরেসন চত্থদুনা মরাল লৈবা মীওইশিং ফাগৎনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রে। হৌখিবা চহী ১৫গী মনুংদা আর্মি, পেরা মিলিটরি অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসকী অপুনবা টিম্না খা থংবা সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা যুমথোঙ খূদিং চঙদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথখিবনি।

হৌজিক হৌজিক কাশ্মীর তম্পাক্কী মফম খরদা চত্থরিবা কোম্বিং ওপরেসন অসিদা চাউরাক্লা সিক্যুরিটি পার্সনেল ৪০০০ হেন্না শীজিন্নরি। শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা ৬২শুবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলসকী জৱানশিং তোংবা গাড়ী অমদা শকখঙদবশিংনা এটেক চত্থরকপদগী মীচম দ্রাইভর অমা শিখিবগা লোয়ননা জৱান মরি অশোক-অপন নংখ্রবা মতুংদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চত্থখিবনি।

‘বিলগী মায়োক্তা লেপকদবনি’

আইজোল, মে ০৬ (এজেন্সী) : আইজোলদা বেজ তৌবা পিপলস রাইট টু ইনফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সোসাইটি ওফ মিজোরাম (প্রিজম)না লৈবাক মীয়ামগা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬কী মায়োক্তা লেপমিন্নবা আপিল তৌখ্রে। বিল অসিগী মতুং ইন্না অফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ অমসুং পাকিষ্টানদগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকখিবা মীওই কয়া ইন্দিয়াগী সিটিজনশিপ পীনবা থৌরাং তৌরি। পাউমীশিংগা উনবদা প্রিজমগী লূচিংবশিংনা হায়খি, ঙরাং পাঙথোকখিবা লূপ অসিগী ইগজিক্যুটিব কম্মিটিগী মীফম্না লেজিলেসন অসিগী মায়োক্তা পোলিটিকেল পার্টি অমসুং এন জি ও পূম্নমক লেপমিন্নবা ফিরেপ লৌরে। বিল অসি পাস তৌরবদি মীতোপ কয়া ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহল্লগনি।

job vacancies

-BANKING REGULAR JOB & PART TIME JOB-

1 URGENT HIRING FOR 95 FRESHER BANKING JOB AT GUWAHATI & IMPHAL

JOB Role-Accountant, Min Salary Rs. 18000 Max Salary Rs. 43000

Qalification :- XII or Graduation. Age-18 to 32 years

2. Banking Part-Time SMS job at Home/Office

Minimum salary :- Rs-15,000 to Rs-35,000 , Qualification :- X to Graduate

JOB OPPORTUNITIES IN MERCHANT NAVY

Designation : Deck Crew - Engine Crew - Seaman

Qualification : 10th Standard and Above,Age Limit : 18 - 25 years ,

Salary Package : 35000/- to 85000/-

Urgent openings for 10th & 12th pass candidates in voice & non voice process

Role -BPO/ Telecaller, Locality:- Domestic

Sub Role -Domestic,Incoming,International,Non Voice,Outgoing,Sales, Support,Voice,Other. Min Salary Rs. 29,000 Max Salary Rs. 49,000

Airlines Job Recruitment 2017-18 Number of vacancies : 53

Name of Post :1. Cabin Crew 2. Air Hostess 3. Flight Stewardess 4. Flight Attendant 5. Cabin Attendant 6. Ticketing Manager

Age Details : Candidates age should be between 18 to 34 years as on last date of submission of application form. Salary Package : ranging from INR 3,40,000 per annum to INR 12,00,000 per annum.

Educational Qualification : XII applying or any of above

INTERNATIONAL JOB AT-MALAYSIA , SINGAPORE & BRAZIL

JOB-Accounts, Security, General Worker, Ground Operator, Techinical Staff,Piping & Project Management

Qualification :- X to Graduation or Experience. Age :- 18 to 38 years, Salary :- Rs 45,000 to 1.3 Lac. 3 to 5

-URGENT JOB IN IMPHAL-

JOB- FRONT RECEPTION , ATTENDENT , HELPER,SWEEPER ,PEON,COOK & DRIVER Qualification: VIII to Graduate Age :- 18- 34 Years Salary- 5000 to above

For Detail Contact us at :-

Office of the - Leima Job Guideline Service,Kwakeithel Bazar

Airport Road,Imphal- Helpline no- 8974975286

HL-B/3787/28/3-27/5 (Alt)

মীওইবা মশেলগী মরক্তা খেন্নবা থল্লোই : অদিত্যনাথ



লখনৌ, মে ০৬(এজেন্সী) :

মীওই মশেলগী মরক্তা খেন্নবা থল্লোই হায়না উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা ফোঙদোকখ্রে।

টি ভী চেনেল অমনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাংখিবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, কাঙলূপকী খেন্নবা থমদনা মীপুম খূদিংমক্কী কান্নগদবা মওংদা থবক তৌগনি। উত্তর প্রদেশ শেমগৎ শাগৎপদা মীপুম খূদিংমক শরুক য়াহন্নবা হোৎনগনি।

মীওই কাঙলূপ অমবু পেলহন্নবা হোৎনরে হায়না যু পি গভর্ণমেন্টতা মরাল শীরকখিবগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, অনৌবা লৈঙাক অসিনা অখন্নবা মীওই কাঙলূপ অমত্তবু পেলহন্নবা হোৎনবগী ৱাফম লৈতে। মীগা মীগা খেন্নবা লৈহন্দবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তবু কিফম থোক্তে।

কাঙলূপ অমত্তবু হন্থবা মীৎয়েংনা য়েংলোই হায়না পল্লদুনা অদিত্যনাথনা হায়খি, বি জে পি গভর্ণমেন্টকী ওইনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌরাংদি ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎহনবনি। মফম খরদা থৌদোক মচা মচা খরা থোকপগী পাউ ফংই।

গভর্ণমেন্টনা নুমিৎ ১০০নিগী মতুংদা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিংগী রিপোর্ট মীয়ামদা লাউথোক্লবা মতুংদা মখল অমত্তগী ক্রাইম থোক্লোই হায়বগী থাজবা লৈ। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ইচল-ইচে, ইচানুপীশিং অমসুং লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিং খুদোংথিবা নংহন্দনবা হোৎনগনি।

ফনা মরুওইবা মীওই ওইবা তারবসু অরানবা তৌরম্বা থোক্লবদি লেম্না থারোইদবনি হায়না উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা পুলিস ওফিসারশিংদা খঙহনবা লৈখ্রে।

নুমিৎ খূদিংগী অয়ুক পুং ৮দগীনা পুং ১১ ফাওবা মীয়ামগী ৱাকৎ তাদুনা লৈবাক মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়নসু অদিত্যনাথনা সিনিয়ার পুলিস ওফিসলশিংদা খঙহনখি। খুঙ্গং খূদিংমক্তা নুমিৎ খূদিংগী অয়ুক পুং ৭তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা শোয়দনা মৈ ফংহনগদবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা পাৱর মিনিষ্টর শ্রীকান্ত শর্মানা পাউগী মীফম অমদা হায়খিবনি মদুদি, অনৌবা লৈঙাক অসিনা লো এন্দ ওর্দরবু খ্বাইদগী মরুওইনা লৌবগা লোয়ননা মখল অমত্তগী ক্রাইম থোকহন্দনবা পুলিসতা অকনবা পাউতাক পীবা লৈখ্রে। মরুওইনা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই হায়না চিংনবা মীওইশিং কুপ্পা শেন্নবগা লোয়ননা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়নসু খঙহনখি।

ষ্টেট কেবীনেটকী মীফমদা উত্তর প্রদেশতা শক্লাইরবা মীওইশিংগী মপোক নুমিৎ নৎত্রগনা লৈখিদবগী কুমওন নুমিত্তা থারম্বা ছুতি ১৫ কল্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা লাউথোকপা লৈখ্রে। হায়রিবা নুমিৎশিং অদুদা ছুতি থাবগী মহুত্তা স্কুল অমদি কোলেজশিংদা মশক নাইবা মীওইশিং অদুগী পুন্সি ৱারী মহৈরোয়শিংদা লীদুনা খঙহনগনি।

চীঞ্জাক্তা পোৎয়ান তৌবগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা ফুদ সেম্পলশিং চাংয়েং তৌনবা লেবোরেটরি থল্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা লাউথোকপসু লৈখ্রে।

ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী চীফ জষ্টিস লৈলা সেথ লৈখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ০৬ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিদা ষ্টেট হায় কোর্ট অমদি অহানবা নুপী চীফ জষ্টিস ওইখিবী লৈলা সেথ অরোইবা য়াহিপ তানখ্রে। মমিং লৈরবা অইবা বিক্রম সেথকী অপোকপী লৈলা সেথ নোইদাদা লৈবা মশাগী ময়ুমদা ঙরাং নুমিদাং লৈখিদবনি। মহাক মশাগী চহী ৮৬ শুখ্রে।

মচানুপা শান্তম সেথনা এজেন্সীদা হায়খি, ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৩০ তাবদা ইখঙ খঙহৌদনা কার্দিয়ক এরেষ্ট তৌরকপদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রবী লৈলা সেথকী মচানুপা অনী অমসুং মচানুপী অমা থল্লমই।

চয়োল ৩ লোমগী মমাঙদা মহাক তুশিনবদগী নিংজোলগী শরু তেকপা লৈখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা এপোলো হোস্পিটালদা সজরী তৌখি। মমাঙ চয়োলদা মহাক হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌরকখি।

লোগী লমদা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং লৌরম্বী লৈলা সেথনা লন্দন বার ইগজামদা খ্বাইদগী মকোক ইথং থংনা লাকখিবী অহানবা নুপীনি। মদুগী মতুং তারকপদা দিল্লি হায় কোর্টকী অহানবা নুপী জজ ওইখিবগা লোয়ননা হিমাচল প্রদেশ হায় কোর্টকী অহানবা নুপী চীফ জষ্টিস ওইখি।

নুপীগী মায়োক্তা ক্রাইম তৌবা মীওইশিং অতেনবা মতমগী মনুংদা চৈরাক পীবা য়ানবা ক্রিমিনেল লো এমেন্দ তৌহন্নবা শেমখিবা মীওই অহুম্না শাবা জষ্টিস বর্মা কম্মিটিদা মহাকসু য়াওখি। সেথনা হিংলিঙৈ মতমদা মশাগী পুন্সি ৱারীদা যুম্ফম ওইবা ‘ওন বেলেন্স’ কৌবা লাইরিক অমা ইরমই। ‘টোকিং ওফ জষ্টিস : পিপলস রাইটস ইন মোদর্ন ইন্দিয়া’ কৌবা লাইরিক অমসু ইরমই।

জষ্টিস লৈলা সেথ লৈখিদবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট এম হমিদ অন্সারিনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR;
IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 275/SDC/IW(P) of 2017

Thongam Angangjaobi Devi W/o (L) Thongam Thambalngou Singh of Taobungkhok Makha Leikai.

-Petitioner

-Vrs-

(Late) Thongam Thambalngou Singh S/o (L) Khomdong Singh of Taobungkhong.

- O.P. Party

ꯆꯩꯊꯣꯡ/NOTICE

6/05/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮১-তাউবুংখোক্কী পাট্টা নম্বর ৩০ (অরিবা), ২৯৫ (অনৌবা) দাগ নম্বর ১৯৬ কী পোইন্ট ০.৪২ একর চাওবা ইস্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৪/০৫/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**

HL-P/1527/7 Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR;
IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 274/SDC/IW(P) of 2017

Guikeliu Kamei W/o (L) Kamei Leikham Singh of Sangaiprou.

-Petitioner

-Vrs-

(Late) Kamei Leikham Singh alias Jeni Kabui S/o (Late) Lengapu kabui of Sangaiprou.

- O.P. Party

ꯆꯩꯊꯣꯡ/NOTICE

6/05/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮২-ঘড়ীগী পাট্টা নম্বর ১৭২ (অরিবা), ১৭৪ (অনৌবা) দাগ নম্বর ২২০ গী পোইন্ট ০.৬৬ একর চাওবা অঙনফৌ ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৪/০৫/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**

HL-P/1527/7 Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR;
IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 276/SDC/IW(P) of 2017

1. Shri Chongtham Neharu Singh S/o (L) Ch. Borun Singh of Changangei Mayai Leikai.
2. Chongtham Boneshwori Devi D/o (L) –do– of –do–.
3. –Do– Gedgeshwori Devi D/o (L) –do– of –do–.

-Petitioners

-Vrs-

1. (Late) Chongtham Borunkumar Singh S/o (L) Lalji Singh of Changangei.
2. –Do– Lilabati Devi D/o (L) –do– of –do– .

- O.P. Parties

ꯆꯩꯊꯣꯡ/NOTICE

6/05/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৭৮-চঙাঙ্গৈগী পাট্টা নম্বর ৮৬ (অরিবা) ৮৯/৭৫৭ দাগ নম্বর ১৩১৪, ১৪১৩/১৫৮০ গী পোইন্ট ০.৪১৫ একর চাওবা ইস্খোলগী মনুংদগী মখা থংবা শরুক্তা পোইন্ট ০.২১ একর চাওবা লম অসিগী কো: পাট্টাদার নং ১ অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৪/০৫/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**

HL-P/1527/7 Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

ꯇꯦꯂꯤꯐꯣꯟ/ লায়েংজরি

UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্থী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফন্থী পাবা, নুপাগী ফন্থী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্তচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্তচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্তচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3851/6/05-04/06